# ঐখোয় পূন্নমক নীংতম্না হিংসি



## অচুম্বতনা জয় ওইরকখিনি

কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)

### শোঙ্খরবশিংদা কখোকচবা

ঙসি-ঙসিমক মীচম মীয়াম ঐখোয়না মফম-মরাং খঙদনা, নোংম-নোংমগী পূন্সি লেল্লিবসি চাওখৎপা, অফবা অমসুং নুংঙাইবা পূন্সিদি নত্তে। থায়নগী অহল-লমনশিংনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক ৱাখল খরা খনবিরগা তুংদা থোক্লক্কদৌবা অকায়বা ওইগদৌবা মরমশিংদুগী মরমদা খন্থবীরম্লবদি হৌজিক থেংনরিবা অৱাবসি মায়োক্নরম্লোই। মালেমদা থোক্লিবা খৎন-চৈনবা পূন্নমকসি 'লমগী' মরমদগীনি। হৌজিকসু খুন্নাইসিদা তুংগী মীরোলগীদমক কখোকপগী থম্মোয়গা লোয়ননা থবকশিং পাঙথোকপদি মশীং য়ামদ্রি।

য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট ওইবিখিবা জোন এফ কেনেদিনা মহাক্কী ইহান হানবা স্পীচতা অসুম্না হায়বীখি 'য়ু এস সিটিজনশিংনা লৈবাক্কী লৈঙাক্না করি-করি তৌরক্কনি খন্দনা নখোয়না লৈবাক্কীদমক করি তৌবা ঙম্বগে হায়বদু পাঙথোকপীয়ু।' অসুম্না ঐখোয়সু ঐখোয় পূন্নমক্না ইমা লৈবাক্কীদমক অঙম্বা থাক্তা চাওখৎহন্নবা হোৎনসি। ৱাতমক ঙাঙবা নত্তবা, থবক ওইনা পাঙথোকসি। চাথোক-পোথোক হেনগৎনবা য়াম্না কন্না থবক শূসি।

ঙসি ফাওবদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি সেসনশিং, মীটিংশিং, এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং, সেমিনারশিং, ৱার্কশোপশিং, মখল-মখলগী অরোনবা/লোন্দবা মীপুনশিংগী তিন্নখিবা ময়ামদুনা খুন্নাইসিদা অফবা-অরংবা থবক-থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রবগে? পূন্সিগী তাঙলবা মতমসি অরেম্বদা মাঙহনবা ফত্তে। মমা লৈবাক্কীদমক অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয় পূন্নমক্না থবকশিং পাঙথোক্লমসি। পূন্সিসিদা খ্বাইদগী অতাঙবা পোৎতি 'মতম' হায়বসিনি। গোল্ডনা, দাইমন্দনা, করিগুম্বা পোৎ অমত্তগা 'মতম' গা শিন্নবা য়াবা নত্তে। মতম য়াম্না কূপ্না অমসুং ফজনা শীজিন্নবীয়ু। মতমদু খুদুম তাশিল্লগা নৎত্রগা গোদ্রেজ অলমিরা মনুংদা নৎত্রগা চ্যেননা পুল্লগা খাম্বা ঙম্বরা য়েংবীয়ু। কান্নদ্রবা, মতম মাঙবা থবকশিং পাঙথোক্লগা পূন্সিগী মতমবু মাঙহনবীগনু। য়ারিবমখৈ অফবা থবক্তা মতম শীজিন্নবীয়ু। মতম মাঙহনবা য়াদে।

মালেমসিদা হিংলিবা জীব পূন্নমকসি মনীং-মখা তন্না হিংনীংই। ফারগা-পুল্লগা কনাসু হিংনীংদে। অদুগা খুন্নাই অসিদি ওপন জেলগা চপ মান্নরি। থা ৭পু কর্ফিয়ু থল্লগা ঐখোয় হৌজিক হিংলি। অসুক চাওখৎলবা, মীৎকুপ খুদিংদা অফবা-অহোংবা পুরক্লিবা, সংসারসিদা ঐখোয়গী খুন্নাইদি অমম্বা নরক্তা হিংলিবা, জীবগা চপ মান্নরি। মী অমনা ফংগদৌবা হক অদু ফংহন্দনা হিংলি। খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা 'ইন্টরনেট সর্ভিস' ফাওবা ফংহন্দ্রি। মসি চাওখৎপগী অফবা খুদম নত্তে। মালেমগী মফম খুদিংদা ইন্টরনেট সর্ভিসতগী ফংলিবা নোলেজ অদু লমদম অসিগী নহাশিং অমদি মহৈ তম্লিবা অঙাংশিংদি ফংদ্রে। মসিদি ঐখোয়গী তুংগী অঙাংশিংগী মাঙজবনি। ৱাফম অসি পুৱারীদা য়াওহৌরগদৌবা ৱারীনি।

সাউথ অফ্রিকাগী লিদর, জেলদা চহী ২২ হেন্না পূন্সি লেনখিবা নেলসন মন্দেলানা অসুম্না হায়বীখি 'লৈবাক অমা লোইশিনগে হায়রবদি এদ্যুকেসন সিষ্টম অদু থুগাই।'' অসুম্না মণিপুরগীসু এদ্যুকেসন সিষ্টম অসি থুগাইখিবগী মতাংদা চহী ৩০গী মমাঙদা ঐহাক্না উখ্রে। ঐহাক জুলাই, ১৯৯৩দা চহী ৩৫ মুক মপান্দা থবক তৌরুরবা মতুংদা পোক্নফম লমদমসিদা অমুক হঞ্জরকখি। অঙাং ওইনা মণিপুর থাদোকখিবনা মণিপুরগী পুৱারী অমসুং করপসনগী ঈচেল অসি মী অয়াম্বদা হায়বদি চাদা ৯০দা চেল্লি হায়বসি খঙজরমদে। পুমঙক ঙকখি, মণিপুরদা ওইরম্লিবা ফীভমদু উবদা। লৈঙাক্কী নর্ভ সেন্টর ওইরিবা সেক্রেটরিএট ওফিস অসি করপসনগী ব্রীদিং বিল্ডিং ওইরমখি অমসুং ওইরি। খঙন-চান্নদনা অমসুং শেল পীদনা ফাইল অমত্তা মচি লেংদে। মতোমতা অমসুং মতম চানা থোক্লকপা থবক অমত্তা লৈতে। সেক্রেটরিএট ওফিসতা এমপ্লোয়ী মশীং কয়া লৈরি অদুবু মতিক চাবা-মথৌ মশক খঙনা পাঙথোকপা মী য়াম্না তাঙলি। অয়ূক্কী পুং ১০গী মমাঙদা অমসুং মতম চানা ওফিস কাবসু ইয়াম য়ামদে। ওফিসতা য়ু থকফমসু ওইরিবা লমদমনি।

লমদম অসিগীদি ফত্তবগী ৱারীদি য়াম্না শাংলি। অদুগা অফবগী ৱারীদি য়াম্না তেল্লি। হৌজিক পাল্লিবা স্পেনগী নিংথৌদি কম্মনমেনশিংগা ঈশৈ শকমিন্নৈ। মখোয়গী অৱা-অনাদা স্যের তৌরি। মশামক্না ৱর্ল্ডদা হায়জরি - "I am the servant of the People" হায়রগা হিংলি। থবকসু কম্মনমেনগী পাঙথোক্লি। ভুটানগী নিংথৌসু কোভিদ-১৯গী মতমদা ভুটানগী হায়বদি মহাক্কী মীয়ামগী য়ূমথোঙ খুদিংদা চঙলগা মীয়াম্বু উনখি। কোভিদ ভেক্সিনগী ফর্ষ্ট দোজ কাপহনখি। ভুটান লায়রবা লৈবাকনি। অদুবু মখোয় নিরগা হিংদে। মখোয় সেকেন্দ দোজ কাপ্পবা শেল লৈতবনা সেকেন্দ দোজ কাপখিদে। নিংথৌনা মীয়াম উনবা চৎপদা খোঙনা চৎখি, শগোল তোংখি, চীংগী অঙম্বা-অৱাংবা কয়াদা হুমাং তানা চৎখি। মীয়ামগীদমক পূকচেল শেংনা মথৌ পাঙথোকপা মীওইদু মীচম মীয়ামগী থম্মোয়গী মপূনি। লমদমসিগী নিংথৌ অমসুং ফম্নাইবশিংদা ভুটানগী নিংথৌ অসিগুম্বা য়াওখ্রবরা? কোভিদ-১৯গী মতমদা ভুটানদদি মীওই অমখক শিখি। ৱর্ল্ড রেকোর্দনি। মণিপুরনা খ্বাইদগী ৱাংবা করপসনগী লেভেলদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইরি। ঙসি শোয়রিবা পূন্নমকসি করপসনদগী হৌরকপা ঙাক্তনি।

ৱর্ল্ডগী মপূ ওইরমখিবা ইংলেন্দগী নিংথৌদি নুপী অমদগী হেনবা য়াদে। নুপী অদুসু করেক্টর তমজনীংঙাই ওইগদৌবনি। অফবা ইমুংদগী ওইদবা য়াদে। মৌ লৌবসু য়াদবগী চৎন-কাঙলোন লৈরি। মীনাইগী লৈবাক ওইরমখিবা ইরমদম অসিগী নিংথৌশিংগী মরক্তসু মপুরোইবগা লৈমিন্নরিবা নুপীশিংবু নমদুনা লৌরগা মহাক্কী নুপী ওইহনখিবা য়াম্না য়াওখি। অশেংবা ঈ ওইরম্লোইদবা মচানুপাগী মিংথোল ফংখিবা নুপী কয়াগীসু য়াম্না হঙ্গোইনীংঙাই ওইবা ৱারী ঙাক্তা লৈরি। শা-ঙানা চত্তবা লমচৎ-শাজৎ পাঙথোক্লিবা লমদমনি। হৌজিক্কী মতমদসু লমদম অসিদা চৎনরিবা চৎন-কাঙলোন অসি অতোপ্পা মফমদা চৎনদে। লৈঙাক্কী ফম্নাইবনা নুপী অনী লোনবসি লোনা য়াদবনি।

কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ৪দা ন্যু য়োর্ক টাইমস (ৱাশিংটন, য়ু এস এ) দা ফোঙখিবা পাউচে মচেৎ অদু মীয়ামদা উৎচরি। মতম অদুদা লৈরমখিবা ঐখোয়গী লমগী এরিয়া অসি ১৮,০০০ স্কৱার মাইল ওইরমখি। অদুগা মী মশীংনা ৫০০,০০০ খক্তনি। লমদি নোংম-নোংমগী অসুম পীকশিনবগী মওংদা লাকখ্রে, মতিক-চাখিদ্রবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লম্বী শেল্লি অদুগা পোপ্যুলেসনদি হিংলিবা ফূরুপ ৩৪সিগী মশীং হেনগৎলক্লি। বৃটিশনা লৈরম্বা মতমদা সেমি-ইন্দিপেন্দেন্ট হায়বদি তঞ্জাই অমা ফাওবদি মনীং মখা তন্না হিংলমখি। মণিপুর অসি ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখিবনি। মতম অদুদা মণিপুরদা ফোঙখিবা পাউচেশিংনা করি হায়না ইখিবগে? খঙজনীংই। মীচম মীয়াম্না য়াদনা নম্ফু-হাফুদসু লৌশিনখ্রবা মতুং চহী ৭৪ অসি ফাওবদা মমৈ পানবা মীওই খরগী পুঙলোন্দা জগোয় শাগদৌবা ঐখোয় পূন্নমক নৎত্রে হায়বসিদি ইন্দিয়াগী অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না খন্থফম থোক্লবা মতমনি।


The New York Times
Published: October 4, 1949

INDIA TO RULE MANIPUR

Important Princely State Will Be Integrated Into Dominion

Special to THE NEW YORK TIMES.

NEW DELHI, India, Oct. 3—One of the last important princely states to remain semi-independent of the Indian Government now has become integrated with the Dominion. The Indian States Ministry announced tonight that the Maharajah of Manipur, 18,000 square-mile state on the Burma border, with a population of 500,000, had signed an agreement ceding full powers and jurisdiction to the Dominion Government.

তাইবঙ মীওইবদি শারংদা কুইনা থম্বা য়ারোই। শিখিবনা ফৈ শোয়দনা খল্লক্কনি। থবক ওইনসু পাঙথোক্লক্কনি। মালেমগী শক্তি অমত্তনা ঐখোয়বু নমথগে অমসুং লোইশিনগে খল্লগদি য়াম্না অরানবা মঙলান ওইগনি। মশা-মশাগীতা খঞ্জবা, মমৈ পানবা ময়ামগী মতম লোইশিল্লক্লে। মরিংজেল মথৌনা লৈবা, ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎথোকপা ঙম্বা, ঈ অশেংবা মশীং খঙদবা কয়ানা তাঞ্জাসি ঙাইরকপদুগী মতম য়ৌরদুনা মপান থোক্লক্লে। ফত্তবশিং কোঙ্গোনদৌনা মূৎখ্রগনি। অফবা ৱাখল খন্দবা, হেন্না অফবা থবক পাঙথোক্তবা মীদি মী নত্তে। মী অমা ওইবগী শকওং শক্তম ওইবতনি। অহোংবা হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী পূন্সিগী খোঙচৎকী তাঙ্কক অমনি।

তুংগী মীরোলগীদমক করিসু খন্দবা, লাইরিক-লাইশুগী মঙাল ফংদ্রবা, অপঙবা, করপসনগী মহিক মপীশিংনা লৈবাকসি কাং-খোং চাইনবা Suspension of operation (SoO) অমসুং ইন্দিজিনস পিপলগী দোক্যুমেন্ট ইরগা তুংগী নহাশিংদা ইনভিটেসন কার্দ অমমম পীরম্লগা থল্লম্বগা চপ মান্নখ্রে।ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়াথংনা লুবরা নৎত্রগা মণিপুর মীয়াম্না লূম্বরা হায়বদুগী থৌদোকশিংদু মতমনা শোয়দনা উৎলকখিগনি। মীওইবা ঐখোয়না হিংলিবসিগী ৱাহন্থোক খঙদবশিংনা লৈঙাক্কী মপূনি হায়দুনা লীলা শান্নরিবসি উবদা, তাবদা থম্মোয়না পেন্না নোকই। য়াম্না হন্থবা থাক্কী ৱাখলনি অমসুং থবকশিংনি।

মালেমগী খ্বাইদগী অফবা (ৱর্ল্ডস বেষ্ট পর্সন) ওইনবা হোৎনবীয়ু। লমদমসিদদি খ্বাইদগী ফত্তবশিংগী লমজেল কন্না তান্নদুনা লৈরে। কুমজা ১৯৬২-১৯৬৩দা Praja Socialist Party (PSP) দগী কারকখিবা এম পি Hem Barua (Jorhat constituency দগীনি) না পার্লিয়ামেন্টতা ক্বেসন অমা হংখি। জৱাহরলাল নেহরুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈগী মতমনি। অসামদা মতম অদুদা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট অসি মশীং ১২ খক লৈরম্লি। পি এস পিগী এম পি অসি মতোমতনি পার্লিয়ামেন্ট হাউস কাখিবসি। গটস লৈবা মীনি। বিহারীশিংবু পেন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা দিগবোইদগী ফংলিবা ক্রুদ ওইল অদু Barauni Oil Refinery দা পাইপতা পুনবা হোৎনখি। অদুদগী মতোমতনা ক্বেসন অসি পার্লিয়ামেন্টতা থাংগৎখি, অসাম ষ্টেটতা ফংবা থাওবু করিগী বিহারদা পুরগা রিফাইন তৌগদৌরিবনো হায়দুনা। চাওখ্রবা পাইপ অদু কিলোমিটর লিশীং কয়া পুবদা খরচ কয়া তৌগনি? রিফাইনরি অদু অসামদা করিগী শাদবগে? অসামিশিংনা রিফাইনরি অদুদা থবক ফংফম থোক্তবরা?

কুমজা ১৭৬৭তা Italian Engineers শিংনা অসাম রেলৱেজ অমসুং ত্রেদিং কম্পেনিনা রেলৱে লাইন দিব্রুগরদগী Margherita (Headquarter of Assam Railways & Trading Company) শেমখিবা মফমদা (দিগবোইদা) ওইল অসি ফংখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমখিবা জৱাহরলাল নেহরুগী দেট ওফ বর্থ অসি কুমজা ১৮৮৯গী নবেম্বর ১৪নি। মহাক্না (পি এমনা) পোক্লিঙৈগী চহী ২২গী মমাঙ (১৮৬৭) দা লিংখৎলম্বা ওইল অদু মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরে হায়দুনা তৌনীংবা তৌবা য়াবা নত্তে। Hem Barua গী পাউখুম লৈতদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা Barauni গী রিফাইনরিগী পাইপ তিংবা লেপখি। গুৱাহাটিগী মনাক Noonmati দা ওইল রিফাইনরি লিংখৎখি। মচং ওইবা মী অমনা, মীরেম এম পিশিং হায়বদি কোংগ্রেস এম পি ১১দগী থৌনা লৈখি।

অতোপ্পা খুদম অমগনা মিজোরামগী সী এম জোরামথাঙ্গানা য়ুরোপিয়ন কন্ত্রিশিং চৎলুরবা মতুংদা মুম্বাই এয়রপোর্টতা মহাক্কী Luggage check তৌগে হায়বদা মহাক্না কষ্টমগী মীওইশিং অদুদা নখোয়গী হোম মিনিষ্টর নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোরেন টুরদগী হল্লকপদা চ্যেক তৌবরা হংখি। নখোয়গী মীওই মকোকশিংদা অমুক্তা হংখো, ঐগী লগেজশিংসি চ্যেক তৌরা নৎত্রগা তৌগনুরা হায়দুনা। মদুদা কষ্টমশিং অদুনা মঙোন্দা চ্যেক তৌদ্রে, মহাক্কী গটস অদু উবদা। য়াদে হায়বসি খঙহনবা অমা চঙই। ঐহাক্না সেক্রেটরিএট, রাজ্যা সৈনিক বোর্দ ওইরিঙৈদা গভর্ণরনা কৌরি হায়রগসু ঐহাক চৎখিদে। ওফিসকী মতমদদি ঐগী ওফিসতা লাক্লিবা এক্স-সর্ভিসমেন, ৱিদোজ, মখোয়গী দিপেন্দেন্টদগী হেন্না মরু ওইবা মীওই অমত্তা মালেমসিদা লৈতে। চীফ সেক্রেটরিদসু ঐনা হায়খি, ঐহাক নুংথিলগী পুং ৪গী মতুংদা নহাক্কী ওফিসতা লাকপা ঙমগনি। মদুগী মমাঙদদি ঐহাক ওফিস থাদোকপা য়াদে হায়খি।

ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি/কোলেজশিং অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংদগী খুন্নাইসিগী ওইবা নীংশিংনীংঙাই ওইবা ৱাফম নৎত্রগা থৌদোক কয়া পুথোকপীখ্রবগে? খুন্নাইসিগী চপ-চাবা অশেংবা, অচুম্বা পুৱারীদু ইরগা ফোঙদোকপীয়ু। হৌজিক থোক্লিবা অশেংবা পুৱারীসু ইরগা তুংগী মীরোলগী থল্লমসি। মীটিংদা, লম্বী-সরক্তা পংলাউ-লাউবসিদি ৱাখল মুন্না খনবগী খুদম নত্তে। জিন খোঙ্গ্রাও শেৎপনা চীফ গেষ্ট ওইরক্লিবসি চাওখৎলে খল্লিবরা? খুন্নাইসিগী কলচর মাঙহল্লিবনি। চিনগা-খূৎকা মান্নহনবীয়ু। কলহৌসি খুন্নাইসি।

হৌজিক ইন্দিয়া অসি য়ুনিভর্সিএল লেংগ্বেজ হায়বদি ইংলিস লেংগ্বেজ খঙবা মীনা লৈবাক ঙাক্কদবনি। মালেমগী খ্বাইদগী অফবা ৱাখলগী লাইরিকশিংদি ইংলিস লেংগ্বেজদা ইরি। লোন অসি মপূং ফানা খঙদবা মীদু, লৌশিং মপূং ফানা ফংবা ঙম্লরোই। অদুবু পূন্সিগী লাইশু খঙবা মী অমমমদি ইংলিস খঙদ্রবসু য়াই। লমদম অসিদদি লাইরিক পাদে। ৱারেম ঙাঙবদা লাইরিক পাবগী মতম লৈতে। তোকঙা য়াম্না ঙাঙনৈ। মণিপুরদসু লাইরিক হৈবনা লৈঙাক্তবনা শর্বনাশ শারিবসিনি। মসিদি ঐখোয়না শেমজবা থৌদোকশিংনি। মীচম মীয়াম্না ৱাখল মুন্না খন্থবীয়ু, পূন্সিসি পৈশা নত্তে।

কবো ভেল্লি হায়না খঙনরিবা মফমসিদা খুন্নাই অসিগী লৈফম ২০০ বি সীদা ওইরমখি হায়বসি পুৱারীদা/লাইরিক্তা থেংনজরে। মতমদুদা ঐখোয়সি মোরিয়া (Moriya) হায়না খঙনখি। বর্মিজশিংনা ঙাইহাক লৈতনা ওৎপী-নৈবীবা তৌবদগী ঐখোয়সি ইরিল তুরেলগী মপালদা তারিবা মফমশিংদা ৮০০ এ দি অদুৱাইদা হোংলকখি হায়না ইবিরম্লি। লমদমসিগী বাউন্দরি অসি ১৭৫০ এ দিদদি চেকশিন্না ঙাক্লমখি। হৌজিক্তি কংলৈপাক (মণিপুর) গী বাউন্দরি, কলচর, কষ্টম এন্দ ত্রেদিসন, প্রিন্সিপল, চৎন-কাঙলোন, লীচৎ-শাজৎ পূন্নমক মাঙশিল্লক্লিবা অসি কলহৌদবা য়াদবনি।

ইম্ফালগী above sea level অসি ৮৫০ মিটর্সনি হায়না লাইরিক্তা ইরি। অদুগা গুগলদনা ৭৮৬ মিটর (২৫৭৯ ফিট) নি হায়রিবা অসি করম্বনা চুম্বনো হায়বদু মীয়াম্না খন্নবীরো। গুৱাহাটিগী above sea level অসি ৪৯.৫-৫৫.৫ মিটর্স ওইরি। চুড়াচান্দপুরগী above sea level অসি ৯১৪ মিটর্সনি। উখ্রুলগীদি ৫৪৫৩ ফিট ওইরি। য়াম্না শম্না ঐহাক্না হায়জনীংবদি ইম্ফালগী এরিয়া অসি তম্পাক নত্তে হিল মরক্তা লৈবা টেবল টোপকুম্বা অৱাংবা মফমনি। হিলগী সাইট অসিদা অতোপ্পা অপীকপা মফম অৱাংবা লৈতেম মান্নবা য়াম্না লৈরি। মণিপুর অসি হিল ষ্টেটনি হায়বসি জিওগ্রাফিকেল ফিচর অসিনা উৎচরি।

মীরেমশিংনা পুঙ য়ৈরগা ঐখোয়না জগোয় শারোইসি। ইশাগী ইতিক-ইগুণ চপ চানা উৎলগা হিংসি। ঐখোয় কনাগীসু মখাদা হিংবা নত্তে। খুরুমজরি পাবিরিবা মীয়াম্বু। ●

# উতি থোংবগী মচল

- খোইস্নাম থিরেন মীতৈ -



উতি থোংবা ফজনা হৈবী মীতৈ নুপী খরগা, উতি থোংবা চাবগী মহাউ ফজনা খঙবা মীতৈ নুপা খরগা মখোয়না লৈবাক্কী থৌ পুরবদি ইরমদম মণিপুরসি ঈংনা-চিক্না, নুংঙাই-য়াইফনা পানগনি হায়না খঞ্জে। মরমদি উতি ফজনা মরৈ মুন্না, মরেক-মহাউ থোক্না থোংবা হৈবী মৌনা য়ূম পানবদা ইমুংদু শোয়বা হৌনদে হায়বীরম্মী হায়না তাজে মীতৈ অহলশিংনা। মীতৈগী উতি য়ূম্বাল্লোন অমসুং লৈবাক ঙাকলোন য়াওবা মাল্লি। মসিনা মীতৈনা উতি মখল-মখল থোংদুনা কুম্বী-কালেন নাইদনা হাবা য়াবা এঙ্খাং ওইনা হোৎনরম্লিবসি।

উতি থোংবনা পাথগনবসি পাথহন্দ্রগা মরেক থোক্না মরৈ মুন্নবা হোৎনবদা চাকথোংবীনা তৌরিবা থবক্তুগা চপ মান্নবা লৈঙাকপশিংনা তৌবীরবদি নহান্না মণিপুরগী ঈরাং অসি ফরগদবনি। শগোলহৱাই উতিনা পাথবনে, অঙাংনা অঙাং কপ্পনে, চরূ মৈনা য়াংবনে হায়রিবা ৱাহৈসিনা মীতৈ নুপীগী অখাং কনবা অমদি পূক্লিং ঈংবগা লোয়ননা মপূং ওইরিবা থবক্তুগী পূক্লিং চোইথোক্তে হায়বদু তাক্লিবনি।

শগোলহৱাই উতিনা পাথদনবা খাবৈনা ওৎপা লেপ্পা শুকয়া য়াদে। ঙাইহাক হেক থাদোকপদা পাথদৌরিবনি। অতৈদা ৱাখল চোইথোকপা য়াদে। মসিগা চপ মান্নবা হৌজিক ইরমদম মণিপুরসি মৈথক্তা থাঙ্গৎতুনা উতি থোংলিবা লমদম হায়বদো ওইরে। উয়ান্দা লৈগদবা এঙ্খাংদো পাথোক্তুনা মৈদা তারে। নোংমৈনা পান্দুনা, বোম্না পান্দুনা শিরে। মণিপুর ঙাক্লিবা মীতৈ নুপীশিং, মীতৈ নুপাশিং ৱাখল খন্দুনা লৈরিঙৈদা পাথদুনা মৈদা জ্বাই-জ্বাই লাউনা চাকপা লেপত্রে।

উতি পাথদনবা খাবৈ ওৎপা লেপ্পা য়াদে হায়বদো লৈঙাকপশিং খঙলমদ্রে। উতিনা ব্রোং-ব্রোং শৌরিঙৈদা ৱাখল অতৈদা চোইথোকপা য়াদে হায়বসিসু বি জে পিগী লৈঙাক্তা য়াওবিরিবা নুপীসু নুপাসু অমত্তা খঙদবদৈ য়ূম পানবা হৈতবা মৌগী ইমুং ওইদুনা ৱারেদনা ইরমদমসে। ৱানরবনিনা সুম হায়নরেদনা - উতি থোংবা হৈতবা মীতৈসিবু মীতৈগী অশেংবা ঈ ওইরমখিদ্রা হায়না।

মীতৈ অহলশিংনা মমৌ নৌনা ফংজবা মতমদা ইমৌদু ঙা থোংহল্লু, মখূৎ য়েংসি হায়নরমদে। ইমৌনা উতি থোংবদু পেন্না অমুক্তা চাসিহে হায়নৈ। উতি থোংবদা ফংবা মহাউদু য়েংলগা উতি থোংবীগী মগুণ চাওরাক্না খঙবা ঙম্মৈ। উতি পাথদনবা হোৎনরিবা মৌ অনৌবীদুবু য়েংবা লাকপা লৈকায়গী মচে-মনেমশিংগা ৱারীসু শাবা। মোরোক মেৎনবা মীতৈ মোরোকসু তিংবা কাউদনবা হোৎনবা মৌদুনা করিগী য়ূম পুদনি। থবক অতৈদসু অদুম চঙখোনগনি।

উশোই চোংবা নৎত্রগা উশোই হুনবা মতমদা থোংবা উশোই উতিগী মহাউসু থোইদোক হেন্দোক্কনি। হৱাইথরাক অনৌবা লোকপা মতমদা ইঙ্খোলদা হৌবা অশংবা মনা-মশিং থিদুনা চগেম খরা হাপ্লগা থোংবা উতিগী মহাউসিদি ঙা চানবা মতম লৈতে। ঙারৌ চাবা কাউই হায়রিবনি। অসিদসু নত্তনা অচা পান মনাও খরা হাপ্লগা থোংবা শগোলহৱাই উতি চাবা নুমিৎতুদি চাকথোংবীগী ইমুংদো মবুক তপ্পা শাওগন্দবা মী ঙাক্তগী ইমুং ওই হায়রিবনি।

ইঙ্খোলদা ফংজবা মনা-মশিংনা উতি থোংদুনা এঙ্খাং লৈতবা নুমিত্তা এঙ্খাং ৱাৎতনবা শিনবা হৈবী মীতৈ নুপীনি। উতি করম্না থোংগদগে, মহাউ লৈনবা করি করি মচল হাপকদগে খঙবা মীতৈ নুপীনি। ইশাগী ইঙ্খোলদা হৌজবা মনা-মশিং থিদুনা ইশাগী লৈজবা ৱাখলনা এঙ্খাং মখল মথেল থোংদুনা ইমুং পুজরকপা মীতৈ হায়বা ঐখোয়সি ঙসিদি দুকান্দগী এঙ্খাং লৈদুনা থোংদ্রবদি চরা হেনবা মীতৈ ওইরে।

ইঙ্খোলদা চঙদুনা করি হৌরিবগে য়েংনদ্রে। দুকান্দা থোক্তুনা ঙা কৌতা করম্বা য়াওরিবগে থিনরে। ইশানা লৈঙাকচরম্বা ইরমদমসি ইশানা ঙাক্কনি কাউখ্রে। ইরমদম অসিনা শগোলহৱাই উতি পাথবগুম পাথদুনা মৈদা তাদুনা চাক্লিবা মীতৈ কয়াসে মীতোপ্পা কনবীনবা থৌরাং তৌরক্কনি হায়না খন্দুনা লৈঙাক পায়রিবা মীতৈ নুপাশিং, মীতৈ নুপীশিং ময়া কাথোক্তুনা হিপ্লগা লৈরে। মীতৈনফাওবা উতিগী মহাউ খঙলক্তবদা ময়াংনা থোংবা উতিদা হাউরনি খন্দুনা লৈবীরিবা লুচিংবশিংসে মীতৈ অহলগী মনাক্তা লৈরগা চাউবীরক্তবরা? ●



## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯

১) ''**গর্গ-সংহিতা : মাধুর্য্য-খণ্ডম্**'' হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?

২) ''**মঙাল য়াওদ্রবা নুংথিল**'' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) ''**এংগল্ কয়াদগী লৌদুনা য়েক্লবা**
**নঙগী শক্তম্শিংনা অৱাঙ্বা কলাগী**
**খূদোল্ ওইনা চীংলেম্না মফম কল্লি**
**মালেম্গী মচি মচিদা লৈরিবা আর্ট গেলেরিশিংদা।**'' শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) ''**মল্লবা খাঙপোকশঙ**''হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো?

৫) ''**নুপী অমসুং মমিশিং**'' হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৩,৪,৫)
২) ব্রোজেন্দ্রো সোরোখাইবম, ইরমসিফাই মমাঙ লৈকায় - (১,৫)
৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (৩,৪,৫)
৪) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক - (৩,৪,৫)
৫) অকোইজম নিকিতা, ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায় - (৩)
***৬) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
৭) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩,৪,৫)
৮) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭৮গী ৱিন্নর*

***থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৭৮গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮গী পাউখুম

১) ''**ঐখোয় নুপীগী অন্দোলন**'' হায়বা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো? **:- অইবা : লাইতোঞ্জম প্রেমচান্দ, লাইরিক্কী মমিং : ইমাগী ফনেক মচেৎ, অহানবা ফোঙবা : ওক্টোবর ১৯৯৬।**

২) ''**পাউখুম ফংখিদ্রবা ৱাহং**'' হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- লাইরিক্কী মখল : রেডিও লীলা, মণিপুরীদা হন্দোকপা : খাঙেম্বম তোমচৌ, অহানবা ফোঙবা : জুলাই ২০১৮ ইং।**

৩) ''**থম্বালগী লৈনম**'' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? **:- অইবা : হুইদ্রোম রাধাকান্ত সিংহ (নোভেল), অহানবা ফোঙবা : ২০২২।**

৪) ''**বরাক তম্পাক্কী মরাইবক**'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **:- অইবা মোইরাংথেম সত্যবতি (শৈরেং), অহানবা ফোঙবা : ২০১৬।**

৫) ''**কাইনগী থৈবোং**''হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা : শঙলাকপম অচৌ শর্ম্মা (লিরিকেল পোইমস), অহানবা ফোঙবা : ২০২৩।**